
# স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা স্পেনগী রাফেল নদাল মায়থিবা পীদুনা ওস্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিসকী টাইটল লৌখ্রে



*ওস্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর (য়েৎ)*

*মেলবোর্ন, জনুৱারী ২৯ ঃ*

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওস্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা স্পেনগী রাফেল নদাল মায়থিবা পীদুনা লৌখ্রে।

পনবা য়াই স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা স্বিজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিদা নম্বর ৪ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা ষ্টান ৱারিনকাবু ৭–৫, ৬–৩, ৬–১, ৬–৪, ৬–৩ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা বলগেরিয়াগী শান্নরোই গ্রিগোর দিমিট্রোবপু ৬–৩, ৭–৫, ৭–৬(৭–৫), ৬–৭(৪–৭), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

পুং ৩ গা মিনিট ৩৮ চঙনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা স্পেনগী রাফেল নদালগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা নদালগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকখিবদগী মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ফেদররগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

শান্নরোই অনীনা সেট অমমম মান্নরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুদা ফেদররনা য়াম্না হেনবা মওংদা নদালগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা খুৎ হনবা ঙমহন্দনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মরিশুবা সেট অদুদা অমুক স্পেনগী রাফেল নদালনা ফজবা মশান্না খরা পীরকপদগী রোজর ফেদররগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা সেট ২–২ দা লৈনখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোই অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরক্লবা মতুং স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ফজবা হেনখিবদগী মহাক্কী লম্বা ওইখিবা স্পেনগী রাফেল নদালগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ জুরা ওইরিবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোদিগনা ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিদা সিদেদ ফংদনা শরুক য়ারকখিবা য়ুএসএগী অবিগেল স্পিয়র্স অমসুং কলম্বীয়াগী জুৱান সেবাষ্টিয়ান কাবলগী জুরাগা লম্বা তৌনখিবদা য়ুএসএ অমসুং কলম্বীয়াগী জুরা অদুনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা য়ুএসএ অমসুং কলম্বীয়াগী জুরা অদুনা ইন্দিয়া অমসুং ক্রোএসিয়াগী জুরা অদুগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না কোম্না ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়া অমসুং ক্রোএসিয়াগী জুরা অদুগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখ্রবসু য়ুএসএ অমসুং কলম্বীয়াগী জুরা অদুনা মখোয়গী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখি।



*মিক্স দবলসকী ৱিন্নর অমসুং রন্নর্সঅপ তাখিবা শান্নরোইশিং*

# বর্কিনা ফাসো অমসুং কেমেরুন অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে




*লিভরভিলি।ফ্রান্সভিলি, জনুৱারী ২৯ঃ*

গেবোনগী তোঙান–তোঙানবা সহরদা পাঙথোক্লিবা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা বর্কিনা ফাসোনা কেমেরুননা মখোয়–মখোয়গী লম্বাবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

লিভরভিলি সহরদা লৈবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা বর্কিনা ফাসো অমসুং টুনিসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা চথনরকখিবা মরম্না অমনা অমগী গোলদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা মওংদা বোল পুশিন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈনখি। শান্নবগী ৮১ শুবা মিনিটতা বুর্কিনা ফাসোগী মায়কৈদগী বেন্সেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা টুনিসিয়াবু মখোয়না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল চনবা অদুগী মতুং মিনিট ৪ লৈরগা বুর্কিনা ফাসোগী অতোপ্পা শান্নরোই নোকুলমানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু টুনিসিয়াবু মখোয়না ২–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বুর্কিনা ফাসোনা ঙসি অথেংবদা মোরোকো অমসুং ইজিপ্তনা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অথোইবা টিম অদুগা ফেব্রুৱারী ১ দা অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি।

ফ্রান্সভিলি সহরদা শান্নখিবা য়াম্না লম্বা মান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কেমেরুন অমসুং সেনেগাল লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক অফ্রিকাগী ওইনা থাক ৱাংনা লৈরিবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাক্নি। টিম অনীমক ওলিম্পিক্স ফাওবা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

ঙরাংগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা টিম অনীমক লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফ অদুদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফতসু পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা শাগৎপা ঙম্নরবসু লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈনখিবদগী অপীবা মতম মিনিট ৯০ লোইশিনখি। নিয়মগী মতুংইন্না মিনিট ১৫ অনীগী মতম হাপ্তুনা এক্সত্রা টাইম শান্নরকখি। মদুদসু কেমেরুন অমসুং সেনেগালনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা লাইবক য়েংনখি।

পেনাল্টি কিক কাউবা হৌরকখি। সেনেগালগী মায়কৈদগী কোলিবালে পাঞ্জল চনখি। কেমেরুনগীসু মোকাঞ্জো পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অসুম্না সেনেগালগী মায়কৈদগী কারা, সো অমসুং সালবেট পাঞ্জল চনখি।

কেমেরুনগী মায়কৈদগীসু ওয়াঙ্গো, টেলকো অমসুং জোৱা পাঞ্জল চনখিদুনা স্কোর বোর্দতা সেনেগালগী ৪ অমসুং কেমেরুনগী ৪ লৈখি।

সেনেগালগী মায়কৈদগী মানেনা কাউখিবা পেনাল্টি অদু পাঞ্জল ওইখিদে। অমরোমদা কেমেরুনগী মায়কৈদগী য়াম্না মরুওইবা পেনাল্টি কিক অদু অবোবাকরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা কেমেরুননা সেনেগালবু পেনাল্টি সুট অদুদা পাঞ্জল ৫–৪ দা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা কোঙ্গো অমসুং ঘানানা ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অথোইবা টিম অদুগা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল ফেব্রুৱারী ২ দা শান্নগনি।



*বুর্কিনা ফাসোগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা বেন্সে*

# বেমবেমনা আর্জুন্না এৱার্দকী মতাংদা ৱাহং কয়া হংলি



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৯ ঃ*

ইন্দিয়াদা নুপীগী ফুটবোলগী লমদা লম্বা লৈত্রবী মণিপুরগী ওইনাম বেমবেম দেবী চহী ৩ থংন–থংননা আর্জুন্না এৱার্দকীদমক এপ্লাই তৌখ্রবসু খল্লক্তবা অসিদা ফুটবোল মশান্না অসিগী ওইনা নুপাদনা হেন্না মীৎয়েং থন্নব্রা হায়না ৱাহং কয়া হংলি।

কুমজা ১৯৯৫ তা মশাগী চহী ১৫ শুবা মতমদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নবা হৌখিবী বেমবেমনা চহী ২০ হেন্না ফুটবোল শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী টিম্না ইন্টরনেসনেল মেটচ ৮৫ শান্নবদা শরুক য়াদুনা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবী শান্নরোইনি।

মহাক্না কেপ্টেন ওইদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম্না শিল্লং দা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াবু গোল্ড মেডল ফংহনখি। হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা শান্নবদগী পোথাখ্রবা বেমবেমনা নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংগা য়েংনরুবদা এৱার্ড পীবগী ওইনা নুপাদনা হেন্না মীৎয়েং চঙই হায়খি।

কুমজা ২০০৭ দা নুপাগী গোল কিপরদা শরুক য়াখিবা সুব্রত পোল মেটচ ৬৪ শান্নখ্রবা মতুং হন্দক ফুটবোলগী আর্জুনা এৱার্দ পীখিবনি। ১৯৮৩ দা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোই সান্তি মুলিকখক্তমক ঙসি ফাওবা আর্জুন এৱার্দ ফংবা ঙম্লি। মসিদা বেমবেমনা পেন্দবা ফোঙদোরকপনি।

# পি ভি সিন্ধু অমসুং সমির বর্মনা সায়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

*লক্নৌ, জনুৱারী ২৯ ঃ*

লক্নৌদা লৈবা বাবু বনারসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নবা সায়েদ মোডি ইন্টরনেসনেল গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রিগোরিয়া মারিস্কাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুগী মমাঙদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা বি সাই প্রনিথ থোইরগা নুপাগী টাইটল অদু লৌখি।

রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রিগোরিয়া মারিস্কাবু ইৱা ৱাদনা শুপ্নগী পুংখায় অমদা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী ২০১৪ ইদিসনদা পি ভি সিন্ধু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী সাইনা নেহৱালগী মখুত্তা মায়থিবা নংখিবনি।

অহানবা গেম সিন্ধুনা ২১–১৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেম অদুসু সিন্ধুনা য়াম্না কোম্না ২১–১৪ দা থোইদুনা মহাক্কী অহানবা সায়েদ মোডি ইন্টরনেসনেল গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা য়ুএস দোলর ১,২০,০০০ লৈবা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বি সাই প্রনিথপু ২১–১৯, ২১–১৬ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

মমাঙ চহীগী হোং কোং সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাহৌবা সমির বর্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ঙরাং দেনমার্ককী শান্নরোই হান্স বিটিংগসপু মায়থিবা পীরমখি। অদুগা বি সাই প্রনিথনা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থবু থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলগী অহানবা গেম অদুদা বি সাই প্রনিথনা সমির বর্মবু ১৫–১০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু সমির বর্মনাফজবা হেল্লকপদগী শোথখিবা পোইন্ট ৫ অদু ফুক্কৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা ২১–১৯ দা গেম অদু থোইখি।

অনীশুবা গেম অদুদসু অহানবা সেট অদুগুম্না বি সাই প্রনথিনা সমির বর্মবু ৬–৩ দা মাঙজিল থাখি। মদুগী মখা তানা গেম অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা প্রনিথনা অহানবা গেম অদুগুম্না ১১–৫ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সমির বর্মগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলকপা হৌরক্তুনা অনীশুবা গেম অদু মহাক্কী ফজরবা পোইন্টশিং অদুনা পোইন্ট ১৬–১৬ ফাওবা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তাবা পোইন্ট ৫ সমির বর্মনা লৌদুনা ২১–১৬ অনীশুবা গেম অদু থোইবদগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু মহাক্না লৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা অনীশুবা সিদেদ জুরা ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দিনা মমাঙদা মখোয়না ব্রাজিল অমসুং রুশিয়াদা ফংখিবা গ্রান্দ প্রি টাইটল অদুগী মতুং অহানবা গ্রান্দ প্রি গোল্ড টাইটল অদু মখোয়না অনীনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী জুরা আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং বি সুমিট রেদ্দিবু ২২–২০, ২১–১০ দা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌখিবনি।



*সায়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রবী সিন্ধু*

# ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মির্নভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা আই লীগকী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে

*লুধিয়ানা, জনুৱারী ২৯ ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৫ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মির্নভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ৫ শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুদা হৌবদগী হৌনা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মির্নভা পঞ্জাবকী শান্নরোইশিংবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৮ শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই ৱেদসন অন্সেলমিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা টিম অদুদা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা মখা তাবা পাঞ্জল থিনরকপা হৌরকখি। মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪০ শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ৱিলিজ প্লাজানা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিন্দুনা মির্নভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মির্নভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু পাঞ্জল অনী শোথরিবা মির্নভা পঞ্জাবগী মায়কৈদা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা হজ্জিন–হজ্জিন এটেক চথদুনা শান্নরকখি।


ইষ্ট বেঙ্গলনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল চনশিনবা য়াবা খুদোংচাবা অমদা মির্নভা পঞ্জাবগী শান্নরোইশিংনা নিয়ম লান্না বোল অদু থিংলুবদগী ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

খুদোংচাবা অদু ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ৱেদসন অন্সেলমিনা কাউশিন্দুনা অহুমশুবা পাঞ্জল ওইদুনা মির্নভা পঞ্জাবপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবকী শান্নরোইশিংনা খোঙৌলে থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা টিম অদুগী রোবিন সিংহনা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী মাঙজৌননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা ৱেদসন অন্সেলমিনা মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মির্নভা পঞ্জাবু মখোয়না পাঞ্জল ৫–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল ৫ হেন্দুনা লৈখ্রবা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবকী শান্নরোইশিংনা মেটচকী লেমহৌবা মিনিট ১৪ রোম অদুদা দিফেন্সিপ ওইবা মওংদা শান্নরক্তুনা মির্নভা পঞ্জাবকী শান্নরোইশিংনা চথরকপা এটেকশিং অদু মায়োক্লদুনা লৈখ্রবা মতুং মখা তাবা মেটচকী পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মির্নভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা ৫ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চেন্নাই সিটি এফসিনা আইজোলবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।



*হেটট্রিক্কী পাঞ্জল চনখিবা ৱেদসন অন্সেলমি (ওই) না টিমমেটশিংগা হরাওমিন্নবা*









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*